# ফুটবোল ৱর্ল্ড কপ ২০২৬

**"When the World Plays Together, Borders Fade"**

মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরক্লিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬ জুন ১২গী অয়ুক পুং ২ তারকপদগী মীৎয়েং তাবা ফংলগনি। হন্দক্কী ওইনা লৈবাক অহুম হায়বদি য়ু এস এ, কনাদা অমসুং মেক্সিকোনা য়ুম্বু ওইরগা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬কী এদিসন পাঙথোক্কনি। পনবা য়াবদি, হন্দক্কী ৱর্ল্ড কপ অসিদা কেপ ভর্দে, কুরাকাও, জোর্দান অমদি উজবেকিষ্টান অহানবা ওইনা শরুক য়ারি

## ফীবা ৱর্ল্ড কপ ২০২২ ফাইনেল মেটচকী পাউদম



২০২২ ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলদা অর্জেন্টিনাগী লিওনেল মেশিনা টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনবগী শক্তম

**কুমজা ২০২২কী ফীফা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলঃ**

২০২২ ফীফা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল হায়বসি, ২২ শুবা ফীফাগী নুপা নেশনল ফুটবোল টিমশিংনা চাংদান্নবা ২০২২ ফীফা ৱর্ল্ড কপকি ফাইনেল মেটচনি। মেটচ অসি কুমজা ২০২২গী দিসেম্বর ১৮দা কটারগী লুশেইলদা লৈবা লুশেইল ষ্টেদিয়মদা শান্নখি অমসুং অর্জেন্টিনা অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ফ্রান্স অনীনা চাংদান্নখি। টেলিভিজনদা রেকোর্দ ওইনা মীওই বীল্লিয়ন ১.৫না য়েংনখিবা ফাইনেল অসি শান্ন-খোৎনবগী পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না পাক-শন্না শন্দোক্লুনা উৎখিবা মশান্নশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুম্বু কটার অমসুং ফীফাগী কনফিদরেশন তরুক্লা ওর্গনাইজ তৌবা ক্বালিফিকেশন ফেজদগী খনগৎলবা, অতোপ্পা টিম ৩১না শরুক য়াখি। টিম ৩২ অসিনা গ্রুপ ষ্টেজ অমদা চাংদান্নবদা টিম ১৬না নোকআউট ষ্টেজগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখি। অর্জেন্টিনানা অহানবদা সাউদি অরাবীয়াগী খুৎতা ২-১দা পোরগা, মেক্সিকো অমসুং পোলেন্দ অনীমক ২-০দা থোইদুনা গ্রুপ সিগী ফর্ষ্ট তাখি। মতুংদা মখোয়না ওষ্ট্রেলিয়াবু রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা ২-১দা মায়থীবা পীখি, নেদরলেন্দসকা ক্বার্টর ফাইনেলগী পেনালটি কাওনবদা মায় পাকখি অমসুং সেমি ফাইনেলদা ক্রোসিয়াবু ৩-০দা থোইদুনা ফাইনেল চঙখি।

ফ্রান্সনা মেটচ অনীদা মায় পাকপা অমসুং অমদা পোবগা লোয়ননা (ওষ্ট্রেলিয়াবু ৪-১দা, দেনমার্কপু ২-১দা থোইবা অমসুং টুনিসিয়াগী মখুত্তা ১-০দা মায়থীবা) গ্রুপ দিগী মকোক্তা লৈখি। পোলেন্দবু রাউন্দ ওফ সিক্সটিনদা ৩-১দা, ইংলেন্দবু ক্বার্টর-ফাইনেলদা ২-১দা অমসুং মোরোক্কোবু সেমি ফাইনেলদা ২-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি। ফাইনেল অসি মীওই ৮৮,৯৬৬না য়েংনখি অমসুং পোলেন্দগী জাইমোন মার্সিনিকনা রেফরি ওইখি।

মেটচ অসিগী ২৩ শুবা মিনটতা লাইওনেল মেশিনা কাওশিনখিবা পেনালটিগী শোট অমগা লোয়ননা অর্জেন্টিনানা ১-০দা মাঙজিল থানা চৎখি। পাঞ্জল মশীং অসি, টিম অসিনা অকনবা কাউন্টর-এটেক অমা চথরবা মতুংগী ৩৬ শুবা মিনটতা এঞ্জেল দাই মরিয়ানা নেটকি কাচিন মনুং য়ৌনা নেম্না থোমজিনখিবা শোট অমনা মখা তানা ২-০দা হেনগৎহনখি। ফ্রান্সনা মেটচ অসিগী অয়াম্বা মতম অদুদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে অদুবু সেকেন্দ ৯৭কি মনুংদা ফ্রান্সকী ষ্ট্রাইকর বপ্পেনা পেনালটিদা অমা অমদি ফিল্ড গোল অমনা গেম অসি ৮১ শুবা মিনটতা ২-২দা পাঞ্জল মান্নহনখি। এক্সট্রা টাইম শান্নবদা মেশিনা পাঞ্জল অমগা অমুক চন্দুনা অর্জেটিনাবু ৩-২দা মাঙজিন থাহনখি। অদুম ওইনমক শান্নবা লোইগদবা মিনট খরদং ঙায়রক্লবা মতমদা বপ্পেনা চনখিবা অনীরকশুবা পেনালটিগী পাঞ্জল অমনা গেম অসি স্কোর ৩-৩দগী হেন্নবা ঙমখিদবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৬৬তা জিওফ হর্ষ্টনা তৌখিবা অদুগী মতুংদা বপ্পেনা ৱর্ল্ড কপ ফাইনেল অমদা হেট-ত্রিক ফংবা অনীশুবা বুটবোল্লর ওইখি। পেনালটি কাওনবদা অর্জেন্টিনানা ৪-২দা থোইখিবগা লোয়ননা কুমজা ১৯৮৬ মতুংদা অহানবা অমসুং মখোয়গী অহুমশুবা ৱর্ল্ড কপ লৌখি।

## ফীফা ৱর্ল্ড কপ ২০২৬

### হয়েংদগী হৌগদৌরিবা অসিগী চাউরাকপা শক্তম

২০২৬ ফীফা ৱর্ল্ড কপ অসি, ফীফাগী মেম্বর ওইবা এসোসিএশনশিংগী নেশনল টিমশিংনা মালেমগী থাক্তা চহী মরী খুদিংগী নুপা প্লেয়র মশেল চাংদান্নবা-সোক্কর চেম্পিয়ন্সিপ, ফীফা ৱর্ল্ড কপকি ২৩ শুবা এদিশননি। টুর্নামেন্ট অসি চৎলিবা কুমজা ২০২৬কী জুন ১১দগী জুলাই ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মশান্না অসিদা য়ুম্বু ওইমীন্নরিবা লৈবাক অহুমগী সিটি তরাতরুক-য়ুনাইটেদ ষ্টেটশতা তরামাথোই, মেক্সিকোদা অহুম অমসুং কানাদাগী অনীদা মেটচশিং শান্নগনি। মসিনা লৈবাক অহুম য়ুম্বু ওইমিন্নবা ইহান হানবা ফীফা ৱর্ল্ড কপনি অমসুং মমাঙগী লৈবাক ৩২দগী মশিং হেনগৎহন্দুনা লৈবাক ৪৮না অহানবা ওইনা চাংদান্নগনি।

য়ুম্বু লৈবাকশিং ওইরিবা কানাদা, মেক্সিকো অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতি হৌনবী মতুং ইন্না ক্বালিফাই ওইখ্রে। কেপ ভর্দে, ক্যুরাকাউ, জোর্দান অমসুং উজবেকিষ্টান হায়রিবা লৈবাকশিং অসি ৱর্ল্ড কপতা ইহান হানবা ওইনা শরুক য়াগদৌরি। কুমজা ২০২২দা লৌখিবা থারগা অহুমলক ৱর্ল্ড কপ লৌখিবা দফেন্দিং চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনাসু য়াওরি।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট তরেৎ অদুদগী টিম ১৬ হেনগৎহন্দুনা এদিশন অসিগী ফীফা ৱর্ল্ড কপতা লৈবাক ৪৮ য়ৌনা শরুক য়ারি। ফীফা কাউন্সিলনা কুমজা ২০২৩গী মার্চ ১৪দা অয়াবা পীখিবগী মতুংইন্না হায়রিবা টিমশিং অসি গ্রুপ ১২ থোক্লা খায়দোকপগা লোয়ননা গ্রুপ খুদিংমক্কী মকোক থোংবা টিম অনী অমসুং থার্দ তাবা খ্বাইদগী হেন্না মতীক চাবা টিম নিপান্না অনৌবা রাউন্দ ওফ থার্টি-টু (৩২)দা চাংদান্নগনি। হন্দক্কী মতাং অসিনা কুমজা ১৯৯৮গী মতুংদা অহানবা ওইনা টিম মশীং হেনগৎহনবা অমসুং ফোর্মেট হোংদোকপনি।

শান্নগদবা মেটচ মশীং পুন্না ৬৪ দগী ১০৪দা হেনগৎলগনি অমসুং টিমশিংনা ফাইনেল ফোর (সেমি ফাইনেল) য়ৌবা ঙম্নবগীদমক্তা শান্নগদবা মেটচ মশীংসু তরেৎতগী নিপানদা হেনগৎলে। টুর্নামেন্ট অসি কুমজা ২০১৪ অমসুং ২০১৮দা নুমিৎ ৩২নি শান্নখিবা অদুদগী হেন্না শাংনা নুমিৎ ৩৯নি শান্নরগনি। টিম খুদীংমক্না গ্রুপ মেটচ অহুম শান্নবগী মওং অদুদি অহোংবা লৈতে।



মেপল জাইয়ু বোল্ড ইগল

অমরোমদা, হন্দক্কী এদিসন অসিগী ওইনা ওফিসল মাসকোট মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২৫দা ফোঙখ্রে অমসুং মেসকোট অসি মেপল (মুজ), জাইয়ু (জগুৱার) অমসুং ক্লটচ (বোল্ড ইগল)না ওইরি। মেপলনা কানাদা, জাইয়ুনা মেক্সিকো অদুগা ক্লটচনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস রিপ্রজেন্ট তৌরি। লৈবাক অহুম অসিগী কলচরেল হেরিটেজ মশক তাকপা ওইনা মাসকোট অসি দিজাইন তৌখিবনি।

ক্বালিফাই ওইরবা টিম ৪৮ অসিগী মনুংদগী ২৬তি ২০২২গী এদিশনদসু শরুক য়াখ্রে। মরিরক হন্না চেম্পিয়ন ওইখিবা ইটলিনা, য়ুরোপিয়ান প্লেওফ ফাইনেলদা বোশনিয়া অমসুং হর্জেগোভিনাগা পেনালটি কাওনবদা মায়থীবা নঙখিবগা লোয়ননা থংন-থংননা ৱর্ল্ড কপ অহুল্লক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লাকখিবা লৈবাক অমসু ওইরি। মথং মথং...

## ফংনিংলিবা পান্দম অদু য়ৌদ্রিফাও হোৎনগে খন্না হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনিঃ পান্থোই চনু




ৱাবগাই, জুন ১০ (ঐচ এন এস): মায়থীরে হায়দুনা ঐখোয় কৈদৌনুংদা নীংহন্নবা তৌরোইদবনি। ফংনিংলিবা পান্দম অদু ফংদ্রিবা ফাওবা হোৎনগে খন্না থৱায় য়াওনা হোৎনরবদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না ইন্দিয়ান ৱিমেন ফুটবোল টিমগী গোল কিপর এলাংবম পান্থোই চনুনা ফোঙদোকখ্রে।

সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেশন (এস এ এফ এফ)না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশন, গোৱা লৈঙাক অমদি স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা পুন্না খুৎশম্নদুনা গোৱাগী মর্গাওনদা লৈবা পন্দিট জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা মমাঙ থাগী ২৫দগী হৌরগা চথরকখিবা ৮ লক শুবা এস এ এফ এফ ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা ইন্দিয়া টিমগী গোল কিপর ওইদুনা চেম্পিয়নগী টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা বেষ্ট গোল কিপরগী মনাসু ফংলকখ্রবী এলাংবম পান্থোই চনু অমদি চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুবী নাওরেম প্রিয়াঙ্কা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কৈরক কৈথেল লম্পাক কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা ভিলেজ লেভেল ফেদরেশন (ভি এল এফ) ৬ হায়বদি পান্দম ভি এল এফ, সিঙ্খাঙম্বী ভি এল এফ, লৈমরেম্বী ভি এল এফ, থৌঙম্বী ভি এল এফ, লিংজেলথোইবী ভি এল এফ অমসুং থৌজানবী ভি এল এফনা পুন্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টকী এদমিনিষ্ট্রেটিব কম্মিটিগী চেয়রপার্সন এলাংবম শান্তি লৈমা, পব্লিক য়ুথ ক্লব (পি ৱাই সী)গী প্রসিদেন্ট থৌদাম মেঘা, সোসল ৱার্কর সলাম ধনবির লুৱাং, কৈরক অপুনবা মৈরা পায়বগী প্রসিদেন্ট বিনোশখিনা মরুওইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা পান্থোইনা হায়, মহাক্না ইন্দিয়া টিমদা য়াওরবা মতুংদা মহাক্কী মখোঙ অনীরক হন্না তেকখি। অদুমকপু মহাক নীংহন্নবা খক পোকখিদে। খোঙ অনীরক তেক্লবা মতুংদসু মহাক্না পামজরিবা ফুটবোল মশান্নদা কন্না হোৎনদুনা অকক্লবা পান্দম অমা থল্লগা লাক্লি। নীংহন্নবা লৈতনা হোৎনখিবগী মহয় ওইনা এস এ এফ এফ ৱিমেন্স চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা বেষ্ট গোল কিপরগী মনা ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা টিম চেম্পিয়নসু ওইবা ঙমখিবনি। মমা-মপা ওইবশিংনসু মচাশিংগী অপাম্বা করিনো হায়বা খঙদোক্লুনা পামজরিবা মশান্না অদুদা খোঙদাহল্লবদি শোয়দনা মায় পাকপা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।




Authorized Dealers for Bajaj Auto Ltd. Imphal MANIPUR BAJAJ 7629827502.

HL-B/11330/11

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com